**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 09-08-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর বিধান সভানা ঙরাং তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ৮ গী অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ৪,০৫১ লাখ ৬৭ লিশিং ৭৯ গী শেনফম পাস তৌখ্রে।

২) সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফাল অমসুং ভিয়েটনাম একাদমি ওফ এগ্রিকলচর সাইন্সেসকী মরক্তা এম.ও.য়ু অমা সহি তৌনখ্রে।
অমসুং

৩) হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন লৈবাক অসিগী মফম পুমমক্তা ঙসিদগী পাঙথোকপা হৌরগনি।

**------**

এসেমব্লি (এল)ঃ মণিপুর বিধান সভানা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ৮ গী দিমান্দস ফোর গ্রান্টসকী অপুনবা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ৪,০৫১ লাখ ৬৭ লিশিং ৭৯ গী শেনফম মোৎ অমত্তা ওইনা পাস তৌখ্রে।

বিধান সভাগী মীফমদা ঙরাং পাস তৌননবা পুথোকখিবা দিমান্দস ফোর গ্রান্টসতা য়াওরিবা দিপার্টমেন্টশিং অদুদি- পুলিস, ভিজিলেন্স এন্দ এন্তি করপসন, ফয়ার প্রোটেক্সন এন্দ কন্ত্রোল, জেলস, হোম গার্দস, রিহেবিলিতেসন, মাইনর ইরিগেসন অমসুং রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টনি।

দিমান্দশিং অদু খন্নবদা বিরোধি লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, এম.এল.এশিং- কে. রঞ্জিৎ, টি.ঐচ. লোকেশ্বর, কে. মেঘচন্দ্র অমসুং শুরজাকুমার ওক্রমনা কট

মোসনশিং পুখৎখি। মখোয়না পুখৎলকপা কট মোসনশিংগী পাউখুম পীরদুনা সভাগী লুচিংবা ওইরিবা অমসুং হোমগী বিভাগসু পুরিবা মুখ্য মন্ত্রি এন. বিরেন্না হায়- মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি ঙমখৈদা নিংথিনা শন্বল খারমদবদগী আইন্না য়াদবা মীতোপশিং মশিং য়ামা চংশিল্লক্তুনা অনৌবা খুল কয়া হেনগৎলকপদগীনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- পোপি থাননবা অমসুং খুলশিং শেমবগীদমক প্রোটেক্তেদ ফোরেষ্ট অমসুং রিজার্ভ ফোরেষ্টকী লমদা পাক শন্না উমং কোকথোরকপা অসিসু মসিগী মরুওইবা মরম অমনি। সেটেলাইট ইমেজদা য়েংবা মতমদা মফম কয়াদা অনৌবা খুল কয়া থোরকপা থেংনৈ।

মহাকা হায়- সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা ষ্টেট ফোর্সশিংদা মতেং পাংদুনা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎলকবা লেপ্লা লৈতনা হোৎনরি।
রাজ্য অসিগী অপুনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈদা শিংনরকপা খুদিংমক সরকার অসিনা কৈদৌনুংদসু য়াবা ঙমলোই হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

অৱাংবৌ (এল)ঃ রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা ঙরাং মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- নোংলৈ নুংশিৎ, লেন তাবা অমসুং ঈশিং ঈচাউগা মরী লৈননা শেন্থং পীবীনবা কেন্দ্র সরকারদা হায়জখ্রে।

রাজ্য বিধান সভাগী মীফমদা রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস পাস তৌননবা খন্ন-নৈনবগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়- নোংলৈ নুংশিৎ অমসুং অকনবা লেন্না অমাং অতা থোকহনখ্রবশিংগীদমক মতেং পাংননবা লুপা কোতি ৭১১ লাখ ৪২ লিশিং ৫৪ গী শেন্থং পীবীনবা কেন্দ্রদা হায়জখ্রে। মসিগী মথক্তা হন্দক্কী ঈশিং ঈচাউ অমসুং নোংলৈ নুংশিৎ রেমালনা অমাং অতা থোকহনখিবশিংগীদমক মথং শিংনা লুপা কোতি ১০২ লাখ ১৯ লিশিং ৯৫ অমসুং লুপা কোতি ২৭৯ লাখ ৩৮ লিশিং ৬৩ পীবীনবা কেন্দ্র সরকারদা তকশিনখ্রে।

সিএয়ু (এল)ঃ সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালদা ভিয়েটনামগী হানোইদা লৈবা ভিয়েটনাম একাদমি ওফ এগ্রিকলচর সাইন্সকা মেমোরেন্দম ওফ

অন্দরষ্টেন্দিং (এম.ও.য়ু) অমা সহি তৌনখ্রে। হৌখিবা থা অসিগী ১ দা নিউ দিল্লিগী হাইদ্রবাদ হাউসতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং ভিয়েটনামগী প্রধান মন্ত্রি ফাম মিনচিনগী মমাংদা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালগী ভাইস চান্সেল্লর ডাঃ অনুপম মিশ্রা য়াওনা য়ান্নচে অদু সহি তৌনখিবনি।

য়ান্নচে অদু সহি তৌনরবা মতুংদা ঙরাং ইম্ফালদা থুংলখিবা ভাইস চান্সেল্লর ডাঃ অনুপম মিশ্রানা হায়- এম.ও.য়ু অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা এগ্রিকলচর অমসুং এল্লাইদ সাইন্সকী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহল্লগনি। মসিদা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালদা মরুওইবা থৌদাং য়াবা ঙল্লগনি হায়নসু ডাঃ মিশ্রানা নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

এআর(এল)ঃ হেন্দলুমগী লমদা মণিপুরনা থোইদোক হেন্দোকপা মফম অমা কল্লিবা অসিদা পুকিং থৌগৎপা ওইনা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নেসনেল হেন্দলুম ডেগী থৌরম নহাল বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ফিশাবী ৩০ না শরুক য়াখি। মখোয়দা ফি শাবা অমসুং লোনবনচিংবদা শিজিন্নগদবা লংশিং য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা লুপ অমসুং ফিশা লোনশাগী থবক তৌরিবা কাংবুশিংগা অসাম রাইফলসনা উন্নদুনা ৱারী শাবগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

পুলিস (এল)ঃ সাইখোম মিরাবাই চনুনা পেরিস ওলিম্পিক্তা কিলোগ্রাম ৪৯ ৱেথ লিফতিং ইভেন্টতা মরিসুবা পোজিসন তাদুনা তকমান অমত্তা ফংহৌদ্রবসু মহাক্কী হোৎনবা কনবা অমসুং থৌনা অদুগাদমক মণিপুর পুলিসনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

রাজ্য পুলিসনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা এদ্দিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (স্পোর্টস) ওইরিবী মিরাবাই চনুনা মণিপুর অমসুং ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা ওলিম্পিক গেমস অসিদা উৎখিবা থৌনা লিংজেল অদুগীদমক চাউথোকচবা পোকই।

তরিঙ্গ ঃ   হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন লৈবাক অসিগী মফম পুমমক্তা ঙসিদগী পাঙথোকপা হৌরগনি। লৈবাক অসিগী মীয়ামদা মরৈবাম মরমদম্বু নুংশিবগী ৱাখল্লোন নৌহৌননা নিংশিংহল্লিবা থৌরম অসি থা অসিগী ১৫ ফাওবা চত্থগনি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কলচর অমসুং তুরিজম মন্ত্রি গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা হায়- মীয়ামা মশা মশাগী য়ুমদা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা সেলফি নমদুনা হর ঘর তিরঙ্গগী ৱেব সাইটতা অপলোদ তৌবীয়ু। মহাকা হায়- কেম্পেন অসি ইং ২০২২ দগী অজাদি কা অমৃট মহোৎসবকা লোয়ননা পাঙথোকপা হৌখিবনি। মমাংগী চহিদা মীওই কোতি ১০ হেনবনা মচু অহুমগী ফিরালগা লোয়ননা কাপ্পা মখোয়গী ফোটোশিং থাগৎলকখি। কুমশি চহিগী ওইনসু কেম্পেন অসিগী মনুংদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা কলচরেল প্রোগ্রাম ২০০ হেন্না পাঙথোকবা হোৎনরি। থা অসিগী ১৩ দনা এম.পি অমদি মন্ত্রিশিং য়াওনা তিরঙ্গ বাইক রেল্লি অমা পাঙথোক্কনি।

মোদি ঃ   পেরিস ওলিম্পিকক্তা ভারতকী নুপাগী হোক্কি টিমনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌরকপদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- ভারতকী হোক্কি টিমনা ঐখোয় পুমমকপু মালেমগী মমাংদা চাউথোকচবা ফংহল্লে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারতকী হোক্কি টিমনা মায় পাক্লকখিবা অসি মখোয়গী হৈ শিংবা অমসুং অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা পুন্না থৌদাং য়ামিন্নবদগীনি। মহাকা হায়- ওলিম্পিক গেমসকী ইতিহাসতা ভারতকী হোক্কি টিমনা তকমান লৌরকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অনিরকসুবনি। মসিগীদমকসু থোইদোকা চাউথোকচবা পোকই। ভারত অসি হোক্কিবু য়ামা পামজবা লৈবাক অমনি হায়রদুনা গেমস অসিদা শেঞ্জেংগী তকমান লৌরকপা অসিনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা হোক্কিবু হেন্না পামহনবা ঙম্লগনি।

পেরিসঃ  পেরিস ওলিম্পিকক্তা মেন্স জেভ্লিন থ্রোদা নিরজ চোপ্রা লুপাগী তকমান ফংখ্রে। কিলোগ্রাম ৫৭ কী মেন্স ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলিংদা শেঞ্জেংগী তকমানগীদমক ঙসি ভারতকী অমন সেরাৱটকা পোরতোরিকোগী দরিয়ান ক্রুজগা থেংনরগনি।

গেমস অসিগী মেদল টেলিদা-অমেরিকানা সনাগী ৩০ লুপাগী ৩৮ অমসুং শেঞ্জেংগী ৩৫ পুন্না তকমান ১০৩ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

চাইনানা সনাগী ২৯, লুপাগী ২৫ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৯ পুন্না তকমান ৭৩ ফংদুনা অনিশুবা মফমদা লৈরি। ওষ্ট্রেলিয়ানা সনাগী ১৮, লুপাগী ১৪ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৩ পুন্না তকমান ৪৫ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি। ভারতনা লুপা ১ য়াওনা শেঞ্জেংগী ৪ পুন্না তকমান ৫ ফংদুনা ৬৪ শুবদা লৈরি।

### ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নহারোলগী থৌদাংদা- মণিপুরগী চীংগী মফমশিংদগী অফস্পা লৌথোকবা সেন্তরগী লুচিংবশিংগা কনভিন্স তৌনবা হোৎনগনি হায়বা সি.এমগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউশিং - পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর মেল, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফমদা- জিরিগী ৱারী শান্নবা মায় পাকখ্রে, কাংপোকপীগীসু পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানবা থৌরাং তৌরি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ম্যান্মারনা লিদর ওইবা জেদ.আর.এগী সু সাইন তৌনখিবা, অনৌবা খুল চামাপল মরফুতরা তরুক থোরকখিবসি কোর ইসুনি, অফস্পা থমজিল্লমখিবা চহি ১৫ গী সাসনদা মীওই লিশিং ১,৫০০ হাৎখিবদু রাইট টু লাইফলা হায়বা পাউনা মণিপুর নিউজদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- পি.এমনা নাকল অনিমক্কী লুচিংবশিং ৱারী শান্ননবা শিল্লক্কনি থাজৈ, সেক্যুরিতিগা মরী লৈনবা হিরম পুমমক সেক্যুরিতি এদভাইজরনা পায়খ্রে হায়বা বিরেনগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পাউচেগী পোৎলম মৈ থাখিবগী থৌদোকপু অমজ্ অমসুং হ.জি.এমনা য়ানিংদবা ফোংদোকপগী পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- ইরাং হৌরকখিবা মরম সি.এমনা থমখে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পুলিসকী দিমান্দ খন্নরকপদা ওপোজিসনগী এম.এল.এ ৪ না কট মোসনশিং থাংগৎলকখ্রে, ফিভম অসি লৈঙাকা মতম চানা মথৌ পাঙথোকহৌদবদগী থোকখিবনি হায়বসি পুৰারীদা অমুবা ময়েকনা ইদুনা লৈহৌরগনি হায়বা কে. রঞ্জিৎকী ৱাফমনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

খুৎয়েক পীনখিবা সু হৌজিকসু চৎনরি হায়বা বিরেনগী ৱাফমনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- সি.দি.এ.কে.দিনা নেসনেল হাইৱে টুদা কাউন্তর ব্লোকে চখ্থরকপদগী হিদাক লাংথকশি ফাজিনবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------